## খোঙজংশিংদা শরুক য়ারগনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
এফ সী আই সঙাইপ্রৌ গোদাউনগী শিন্নমীশিং হান্নগুম থবক শুবা ফংহল্লু হায়না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা শরুক য়াগনি হায়না য়ুথ দিভলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং য়ুনিয়ন, খাবিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি মনিতোম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সঙাইপ্রৌ এফ সী আই গোদাউনদা চেঙ হোনবগী থবক শুরগা য়ুম পুজরম্বা ইমুং ৮১গী শিন্নমীশিংবু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৪ দগী থবক্তগী লৌথোক্তুনা লাক্লি। থবক শুবা ফংহনবীয়ু হায়না খোঙজং চঙশিল্লুবা খোজংলোয় ৩১ কৈশুমশঙদা নমশিন্দুনা থল্লুরে। হৌজিক্তা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি লৈঙাক্তা ৰারোইশিন পুরক্ত্রিবসি লাইবক থীবনি। সী এ এফ এন্দ পি দি লেবরর ৰেলফ্যের এসোসিএসন হায়রিবা শিন্নমীশিংগী এসোসিএসন অসিনা মীয়ামদা অকায়বা অমত্তা পীদনা মখোয়গী রাইটকীদমক খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। মণিপুরগী থোক্লিবা থৌদোক-ৰাথোক কয়াদা মতেং পাংদুনা লাকপদা নত্তনা মশাগী ঈ ফাওবা মীওইবা খুন্নাইগীদমক কৎতুনা লাক্লি। থম্মোয় শেংনা থবক শুদুনা হিংজরিবা শিন্নমী গ্রুপ অসিবু নুংশিবীদুনা মরাল লৈবা কন্ট্রেক্টর মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু। শিন্নমীশিংবু হান্নগুম থবক শুবা ফংহল্লু। মসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙলক্ত্রবদি এসোসিএসন অসিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা য়ুনিয়ন অসিনা মতেং পাংগনি। খোঙজং খূদিংমক্তা তান্নতিক্কনদুনা শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## গান-ঙাই কুম্মৈদা শরুক য়াখিবশিং থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
ষ্টেট লেভেল কবুই গান-ঙাই কুম্মৈদা শরুক য়াখিবা পুন্নমকপু থাগৎলি হায়না মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল লনবোন কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৮দা ষ্টেট লেভেল কবুই গান-ঙাই কুম্মৈ শওন্নুং কবুই খুঞ্জাওদা পাঙথোকখিবদা শরুক য়াখিবা লূপশিং, সী এস ওশিং, ইমা-ইবেলশিং, পোৎ লাল্লকখিবশিং পুন্নমকপু মণিপুর কবুই য়ুনিয়ন অমদি ষ্টেট লেভেল সেলেব্রেসন কম্মিটি ২০২০ না থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

গান-ঙাই কুম্মৈদা মৈবা চিংদুনা অশেংবা মৈশিং পুথোক্তুনা কুম্মৈ অসি হাংদোকই। গান-ঙাই অসি মৈগী কুম্মৈনি অমদি মঙালগী কুম্মৈনি। ইপা-ইপুশিংনা লীশাং-শিৎনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অমম্বদগী মঙাল পুথোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি ফাওবা কবুই ফুরুপনা লীশাং-শিৎনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
টামিল সংঘম মোরেনা শীন্দুনা ৫২রকশুবা পোঙ্গল সেলেব্রেসন কম প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রাম মোরেগী সন রাইস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, আই এফ সী দি মিনিষ্টর লেটপাও, তেংনৌপলগী দি সী, এম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টি ঐচ বিক্রমজিৎ, ৪৩শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্ট সুমিট অমদি মোরেগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন লিদর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মোরেদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী মরক্তা আই এল পি লাকপদা মীপায়বা য়াওরম্বা য়াই। থায়নদগী লৈরক্লবা তামিল ইচিল-ইনাওশিং, নেপালি ইচিল-ইনাও অমদি থায়নদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিংনা মীপায়বীগনু। আই এল পি সিষ্টম অসিদি থায়নদগী লৈরক্লবা ফুরুপ কয়া অসিবু কন্ননবা অমদি মণিপুরদা হৌজিক চঙলক্লিবা মীতোপশিংদগী ঙাকথোক্নবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি প্রসিদেন্টতা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হায়রুবদা য়াবীরকপদগী চৎনরিবনি। বি জে পিনা লৈঙাক হেক পায়বা হৌরকপদগী মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মীয়াম্না লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা কোওপরেসন পীবীরবদি হেন্না চাউখৎপা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মোরেদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী নাৎকী ওইবা জগোয়-ঈশৈ কয়া উৎখি। পোঙ্গলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

## ‘নোর্থইষ্ট য়াওদনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়াদে হায়বসি খঙলকপদগী মীৎয়েং থল্লক্লে’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
অৰাং-নোংপোক লমদম য়াওদনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়াদে হায়বসি মেন লেন্দ ইন্দিয়ানা খঙলকপদগী অৰাং-নোংপোক্তা মীৎয়েং থল্লক্লে হায়না আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।




মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট এফ্যেরস, ন্যুজ পোর্টেল, ৱেবসাইট হাংবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়খি, ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা অসিগী ওফিস গুৱাহাতিদা ওইগনি হায়বসি নুংঙাই। পোলিটিক্স হায়বসি মখা-মখা চথরকপা অমনি। লোকলগী ওইবা পাকথোক-চাউথোকপা তাই। ক্রিটিসাইজ তৌবদা নেগেটিভদা চৎপদগী লৈঙাক্তা কনফ্লিক্ট লাক্লে। সজেসন পীবদা পোজিটিভ ওইহনসি। বেলেন্স ওইবা মওংদা চৎনবা হোৎনসি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিজিটেল ইন্দিয়া হৌদোকখ্রে। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি ৰাংখৎলক্লি। দেম্মক্রেটিক সোসাইটি অমদা কনফ্লিক্ট লৈরকপদা পাউচে হায়বসি মরুওইনা লৌনৈ। অৰাং-নোংপোক লমদমবু মেন লেন্দ ইন্দিয়ানা স্পোর্টস খক্তদা উই। মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্লিবা ময়ামসিদি শীজিন্নদ্রি। ঐখোয়গী পোটেন্সিএল খুদিংমক মীদিয়াদা উবা ঙম্নবা পোর্টেল অসিদা খঙগদৌরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা হান্নগী এম পি, ডা. টি মৈন্যনা হায়খি, ইনফোর্মেসন চাউখৎলকপগা লোয়ননা পেপরলেস ওইরকপসি নুংঙাই। রেভিন্যু লাকপা হায়বসি এদভর্টিজমেন্টদগী লাক্কদবনি। অহানবা ওইবা মরম্না খরা চেকশিন্না হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজয় ককচিংতাবমনা হায়খি, রেজিষ্টর তৌদনা পাউচে ফোঙবা লৈরিবশিংনা দি আই পি আরগী আইদেন্টিটি কার্দ পীয়ু হায়রকপসু লৈরি। দি আই পি আরগী মীটিংদা য়াওবদগী খঙলকপনি। কাঙলোন চম্না রেজিষ্টর তৌরগা ফোঙবীয়ু। রেজিষ্টর তৌবগী কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ, আর কে ইমো অমদি সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিটর খোগেন্দ্র খোমদ্রামসু গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## এফ সী আই গোদাউন শিন্নমীশিংগী ৰাথোক হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লিবা করিগীনো : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): এফ সী আই গোদাউনগী শিন্নমীশিংগী ৰাথোক হৌজিক ফাওবা নমশিন্দুনা থল্লিবা করিগীনো হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ন মণিপুরগী কো-কনভিনর কে ঐচ শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থবক শুরিবা শিন্নমীশিংগা ইন্দষ্ট্রি অমগগী মরী ফৎত্রবা মতমদা ইন্দষ্ট্রি অদুগী দিভলপমেন্টতা চাউনা অশোয়বা লাক্কনি। মীয়ামদসু মদুগী চৈনা ফংগনি। মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা হেন্না নুংঙাইনবা পুথোক্লিবা মেছিন কয়ানা ঙসিগী লৈঙাকপগী মওং অসি য়াইতোং-খমদোংবশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা লৈঙাক্লোন অমা ওইরি। মীচম মীয়াম হায়বদি থবক শুদুনা হিংলিবা শিন্নমী মীয়াম্নদি অৰাবা অমুক ওইহল্লিবনি। মোদর্ন সোসাইটি অসিদা থোরক্লিবা ক্রাইম, প্রোব্লেম ইস্যু কয়া অসি য়ুথ কয়া মশাগা চান্নবা থবক ফংদবদগী ওইরকপনা অয়াম্বনি। তুংগী থাজবা লৈরিবা নহা কয়ানা অন-ইমপ্লোয়মেন্ট ক্রাইসিসকী মৈচাকপু খাংবা ঙম্নবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা তাওরি। থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা হন্দকসু মপান লমদগী লাকপা নন-মণিপুরীশিংনা মতম কয়াদগী শুদুনা লৈরম্লবা এফ সী আই গোদাউন সঙাইপ্রৌবু ইরমদম অসিদা ৱার্ক কলচর অমা শাগৎনবা চহী ১০ হেন্না হোৎনদুনা লাক্লিবা সী এ এফ অমসুং পি দি লেবরর এসোসিএসন্না হৌখিবা চহীগী মার্চ থাদগী অহানবা ওইনা থবক শুবা ফংখি।

অরুম্বা চেঙ থাংবা হায়বসি কনাগুম্বা অমনদি হায়দোকপা ফাওবা তনবা থবক অমা ওইরিবনি। হীরমসিদা হৈ-শিংলবা শিন্নমী কয়া থা ৯ চুপ্পা থবক শুরল্লবা মতুং করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লমদনা তমথীবা মওংদা শিন্নমী ৮১ পুল্লপ অমুক্তদা থবক তাম্বোকপা হায়বসি শিন্নমীশিংগী পুৰারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগনি। ঙম্মী হায়বগী ঙকচাও থেক্তুনা লৌতুনবা অমগা লোয়ননা এফ সী আইগী হান্নগী হেন্দলিং কন্ট্রেক্টর অমদি হৌজিক্কী কন্ট্রেক্টর ওইরিবা এন আর মথাইনা শেন্দোং খক্তগী খল্লগা শিন্নমীশিংদা থারকখিবা খুৎ অসিমক শিন্নমী মীয়ামদনি। অনৌবা থবক পীয়ু, বোনস পীয়ু হায়বসু নত্তবা, হান্নগী থবক মখা তানা শুজগে হায়বসিদা চথরিবা থৌওং অসিনদি এফ সী আই গোদাউনগী থবক্তা অফবা অমত্তা পুরকপা ঙল্লোই।

চেঙ থাংবা শিন্নমী অমনা করম্না ইমুং-মনুং য়াওনা মখোয়গী মচাশিংগী লাইরিক তল্লরোই হায়না লাইরিক ফাওবা এদ্যুকেসন দিরেক্টরদা সরেন্দর তৌরকপা অসি খন্থমিন্নসি। চাকখুমগী নুংতিগী শীজিন্নরিবা চফু-উয়াল, খাবৈ অমদি কোল-লীক এফ সী আইদা পীথোরকপা ঙল্লিবসি শিন্নমীশিং অসি মখোয়গী থম্মোয় কয়ামুক শোক্লমগনি হায়বসিসু খন্থমিন্নসি। হুমাং তানা থবক শুবা শিন্নমীশিংনা পেন্দবগা লোয়ননা হৌরকপা ঈহৌ অসি খন্থমিন্নবা চঙই। মীয়ামগী পুক্কে ওইরিবা গোদাউন অসিগী মরুমদা অশিবা মীওই ফাওবা থবক পীদুনা শীজিন্নরি হায়বা ঙম্বা অসিসু লৈঙাক অমদি এফ সী আই ওথোরিটিনা খন্থফম থোকই। শিন্নমীশিংবু ঈকায় খুম্নদবা লমদম অমত্তদা ঈং-তপ্পা লৈরোই, চাউখৎপসু ৰাংকনি। এফ সী আই গোদাউনগুম্বা লীশাং-শিৎনা থবক তৌদুনা লৈগদবা অসিদা লৈঙাক অসিগী পোলিসী অসিনা কন্ট্রেক্ট ওইনা পীথোকপা অচুম্বা নত্তে। কন্ট্রেক্টর লেবর এক্ট ১৯৭০দসু কন্ট্রেক্ট লেবরসি মুখৎলু হায়বগী ৰাফম য়াওরিবনি।

পব্লিক সেক্তর ওইনা লৈরিবা এফ সী আইদা মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরনা লেপ্পা মিনিমম ৱেজগী ৰাংমদা হেক্তা কন্ট্রেক্টরনা খুৎশুমল পীবা ঙল্লিবা করিগীনো। নোংমগী শুরগা মখোয়দা করিগীদমক রিলিফ অমত্তা পীদনা লেবর দিপার্টমেন্টনা মতম শাংনা লৌদুনা লৈবা চুল্লোই। মবুক হাংলবা শিন্নমী কয়া অসিদা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক্না সেন্টরগী মথৌনি হায়দুনা তুমীন্না অসুম য়েংদুনা লৈরবদি খুদোংথিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াই। মরী লৈনবা ওথোরিটিবু মরালগী মতুংইন্না পীফম থোকপা পীহৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। লৌমী অমসুং শিন্নমীনা চাদা ৭০দগী হেন্না লৈবা লমদমসিদা মরাল লৈবা মখোয়না চথরক্লিবা থৌওং অসি শিন্নমী মীয়ামদা শিংনবনি হায়না লৌগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## লৌরোই ফেষ্টিভেল ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা হৌদোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): ১১রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেল থা অসিগী ২০দা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হৌদোক্লগনি হায়না ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর এল লোকেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০০৯দা খুম্বোংদা খুঙ্গংগী লম অসিদা লৌ লোকপা লোইরবা মতুংদা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। চৎলিবা চহী অসিদা অহুল্লকশুবা ওইনা ষ্টেটকী থাক্তা থা অসিগী ২০দা হৈয়ু পার্ক ফয়েংদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরনা হৌদোক্লগনি। মালেম ইমাবু খুরুমজবা অমদি লৌমী মীয়াম্বু ঈকায় খুম্নবা হায়বা থীম অসিদা নুমীৎ হুম্নী চুপ্পা চথুগদবা ফেষ্টিভেলনি। ফেষ্টিভেল অসিদা ষন লাবা ফজবা তান্নবা, ষন গাড়ীগী হৈ-শিংবা উৎপা, পাউখোং চন্নবা, লৌমীশিংগী খুল্লং ঈশৈ, পেনা, খোংজোম পর্ব অমদি নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিভেল অসিদা ঙসি উবা ফংখিদ্রবা লৌ উবা, লৌ লোকপা অমদি চেঙ পুথোকপগী মরুওইবা খুৎলায় কয়া উৎকনি। চক্রি, সূক, সুম্বলনচিংবা কয়া মীয়াম্না উবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

এন্সাং-নাপী, ফিরোল অমদি চান-থক্ক বা পোৎলমশিংগী ষ্টোল হাংগনি। লৌমী মীয়ামগী অৰা-নুংঙাইদা শরুক য়ামিন্ননবা ফেষ্টিভেল অসিদা লমদম অসিগী মীয়াম্না লৌমীশিংবু থৌনা হাপ্পীবা ওইনা লৌরোই ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। থা অসিগী ২০গী নুমীৎয়ুংবা মতুং পুংখায় চৎপা মতমদা ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল অসি হৈয়ু পার্ক ফয়েংদা হৌদোক্কনি। লৌরোই ফেষ্টিভেল পাঙথোরকপা হন্দক্তা ১১রকশুবা ওইরে। ষ্টেটকী থাক্তা তলকশুবা ওইনা থা অসিগী ২০ দগী হৌরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি। লৌরোই ফেষ্টিভেল অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি। শু-নোম্লিবা লৌমীশিংগী ওইবা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসি মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

## লিটরেরি সোসাইটিগী নুংশি শৈরোল শৈথা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর হিন্দী পরিষদ হোলদা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১ তাবদা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা নুংশি শৈরোল শৈথা পাঙথোক্লগনি হায়না সোসাইটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. গুরুময়ুম বিজয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা অথোইবা লেংবীরকপা অমদি মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমীগী জেনরেল কাউন্সীল মেম্বর ডা. যোদ্ধচন্দ্রনা সনসমনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি। মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট শামুলাইলাৎপম প্রহ্লাদনা থৌরম মপু ওইগনি। নুমীৎ অসিদা মণিপুরী খোরিরোলবু নুংশিবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপীবশিংনা শৈরেং অমমম খুদোল তম্বীদুনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু। মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা শীল্লগা নুংশি শৈরোল শৈথা অসি পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অসিদা লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা-অইবী কয়াসু শরুক য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা পিপলস বাইওদাইভর্সিটি রেজিষ্টরগী সর্ভে হুন ভেং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা ওইনা পিপলস বাইওদাইভর্সিটি রেজিষ্টরগী সর্ভে জিরিবামগী হুন ভেং ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে।

পি বি আর সর্ভে অসি নেসনল বাইওদাইভর্সিটি ওথোরিটি চেন্নাইগী মখাদা মণিপুর বাইওদাইভর্সিটি বোর্দ, চীফ সেক্রেটটি ডা. সুরেশ বাবুনা চ্যেরমেন ওইবা বোর্দ অসিনা স্পোন্সর তৌরগা পাঙথোকপা সর্ভেনি। সর্ভে অসি বেঙ্গলোরগী ট্রান্স দিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপার্ট টিম অমনা লাক্লগা তৌখি। সর্ভে অসিদা ডা. দেশ্বর্জিৎ নিঙোম্থম, টিম লিদর, মণিপুর বাইওদাইভর্সিটি বোর্দকী মেম্বর এন তোম্বীরাজ অমদি ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট ঐচ দোলেন্দ্রো য়াওবা এক্সপার্ট টিম অসিনা হুন ভেং ভিলেজদা সর্ভে চথুখি।

সর্ভে অসিগী মতাংদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী গেষ্ট হাউসতা পাউমীশিংগা উনবদা মণিপুর বাইওদাইভর্সিটি বোর্দকী মেম্বর এন তোম্বীরাজনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল বাইওদাইভর্সিটি ওথোরিটি চেন্নাইগী মখাদা মণিপুর বাইওদাইভর্সিটি বোর্দনা স্পোন্সর তৌরগা সর্ভে অসি পাঙথোকপনি। ট্রান্স দিসিপ্লিনরি য়ুনিভর্সিটি এক্সপার্ট টিমনা সর্ভে অসি চথুখি। হুন ভেং অসি জিরিবামদগী খারোমদা কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা মার কম্যুনিটিনা খুন্দাবা খুল অমনি। মসিদা চর্চ অহুমসু লৈ। য়ুমথোঙ ৬০ রোম খুন্দারি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সর্ভে অসি মরুওইনা পাম্বী, শা-উচেক অমদি মীনচিংবা পুন্না চথুবনি। টিম লিদর ডা. দেশ্বর্জিৎ নিঙোম্থমনা ফোঙদোকখিবদা, হুন ভেং ভিজেলদা সর্ভে তৌরিবসিগী রিপোর্ট অসি রো ওইনা লৈরি। সর্ভে অসিদা উপাম্বী মখল ৫০০ ফংই। মরুওইনা মেদিসিনল প্লান্ট, ৱা মখল মরি অমদি তোঙান তোঙানবা পাম্বী মখল কয়া ফংই। রিপোর্ট অসি রো রিপোর্ট ওইনা লৈবনা দিটেল হায়বদি ঙমদ্রি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ঐচ দোলেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, পি বি আরগী সর্ভে অসিদা খুল অসিগী মনাক্তা লৈরিবা বরাক তুরেল অসিদা ঙা মখল কয়া ফংখি। নিংথম থা ওইবা মরম্না ঐখোয়না থাজবা থল্লম্বা মওং অদুদি থোক্ত্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জিরিবাম ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াদা পিপলস বাইওদাইভর্সিটি রেজিষ্টর সর্ভে পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## কোন মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২০গী এপ্লিকেসন কৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্প-ৱারমেন্ট (কোন) মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২০ গীদমক মণিপুরগী মীদিয়া প্রোফেসনলশিংদগী এপ্লিকেসন কৌরি হায়না কোনগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তা রাজকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এপ্লিকেসন সবমিট তৌরকপা মতমদা কভর লেট্টর, করিক্যুলম, হেল্থ ইস্যুগী ৱার্ক সেম্পল অনীসু য়াওরক্কদবনি। এপ্লিকেসন থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক সেগা রোদ ইম্ফাল ৱেষ্টতা লৈবা কোনগী প্রসিদেন্টতা সবমিট তৌবা য়াগনি। অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌবা য়াগনি।

খল্লবা ফেল্লোশিংনা থা ১দা লুপা লিশিং ৬ ষ্টাইপেন্দ পীগনি। ষ্টাইপেন্দ অসি আর্টিকল নৎত্রগা ভিদিও দোক্যুমেন্টরিশিং অদু মীদিয়াদা পব্লিস তৌরবা মতুংদা পীগনি। মীদিয়া ফেল্লোশিপ প্রোগ্রাম অসি মরুওইবা ভাইরেল হেপটাইটিসকী ইস্যুদা এৱ্যেরনেস পীনবগীদমক পায়খৎপা প্রোগ্রাম অমনি। ভাইরেল হেপটাইটিসকী মতাংদা মীয়াম পুন্না মাস এৱ্যেরনেস পীনবগীদমক ভাইরেল হেপটাইটিসকী লমদা জর্নেলিষ্টশিংনা রিছার্স তৌদুনা রিপোর্টশিং পুথোক্নবা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎলকপনি।

ফেল্লোশিপকী মতম অসি চহী অসিগী জন্যুৱারীদগী দিসেম্বর ফাওবনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা জর্নেলিষ্টশিংনা ভাইরেল হেপটাইটিসকী মতাংদা রিপোর্টশিং ইগদবনি। ন্যুজ আর্টিকল, ফিচর নৎত্রগা ওদিও ভিদিও দোক্যুমেন্টরিশিং ভাইরেল হেপটাইটিসকী ইস্যুদা হায় লাইট তৌদুনা পুথোক্কদবনি। দেটা, দোক্যুমেন্টরি ষ্টাইল অমদি হ্যুমেন এঙ্গল ষ্টোরিদা আর্টিকলশিং পুথোক্তুনা হেপটাইটিসকী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। কোন মীদিয়া ফেল্লোশিপ ২০২০গীদমক খল্লবা ফেল্লোশিংনা থা ১দা হেপটাইটিসকা মরী লৈনবা ষ্টোরি অনী পুথোক্কদবনি। কোন মীদিয়া ফেল্লোশিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা কোনগী ওফিসতা লাক্লগা এপ্লিকেসন থাজিনবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অনাবশিংবু শেন্নরিবা নর্সকী শিনফম অসি ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওই, শিনফম খূদিংদা লৈরিবশিংনা কথোকপা ঙল্লবদি মায় পাক্লবনি : করাম শ্যাম

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
অনাবশিংবু শেন্নরিবা নর্সশিংগী শিনফম অসি ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওই। শিনফমশিংদা লৈরিবশিংনা কথোকপা ঙল্লবদি মতিক চাবা মী ওইরবনি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি কোলেজ ওফ নর্সিং রিমসকী লেম্প লাইটিং এন্দ ওথ টেকিং সেরেমোনিদা ফোঙদোকখ্রে।




রিমসকী জুবিলি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, নর্সকী শিনফম অসি অসুক্কী মতিক ঈকায় খুম্ননিংঙাই ওই। অনাবশিংগা মতম চুপ্পদা লোয়নদুনা শেন্নরিবা অসি নর্সশিংনি। ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলনা নর্সকী শিনফম অসিদা লৌরম্বা থৌদাং কয়া অদু নীংশিংদুনা লৈরি। মসি কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরম্বা কয়া অদুননি। তোঙান তোঙানবা শিনফম কয়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা মাগী মাগী শিনফম অদুদা কথোক্তুনা হোৎনরবদি মায় পাকপা হায়বদু ওইরবনি। শিনফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা কথোকপগা লোয়ননা হোৎনবা অমদি খুন্নাইগীদমক অঙম্বা থৌদাং অদু লৌবা চঙই। মী অমগী মতিক-ময়াই অসিদি মী অদুনা খুন্নাইগীদমক কথোকপা ঙম্বগী চাং অদুনা লেপকনি।

তুংগী মীরোলগীদমক অমদি খুন্নাইগী য়াইফনবগীদমক কথোকপা ঙম্বা মীওই অদু মায় পাক্লবা মীওইনি। হৌরক্লিবা নহাশিংবু নীংথিনা শেম্বীরবদি খুন্নাইগী ৰাখল খনবা ঙম্বা ওইরক্কনি। পীক্লিবা অঙাংশিংবু নীংথিনা লমজিং-লমতাকপীবা তাই। নর্স তল্লিবশিংগী ওইনদি লেম্প লাইটিং অমদি ওথ টেকিং অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। তম্লুরিবা মহৈশিং অদু থবক ওইনা ওন্থোকপা তঙাইফদে। হীরম অসিদা য়াম্না হৈরগা থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি কান্নবা লৈতে। মপান লমগী অচৌবা হোস্পিটাল কয়াদসু মণিপুরগী নর্সশিং থবক তৌদুনা লৈনরি। নর্সশিং অসিগী মতিক-ময়াই অসি থাগৎনরকই। মণিপুরগী নর্সশিং অসি মপান লমগী হোস্পিটালশিংদা থবক তৌবা মতমদসু মথৌনা লৈনা, মতিং থোক্না থবক তৌবনা হোস্পিটালশিংনা য়াম্না পাম্নে। মসি অফবা অমনি। অনাবা মীওই হায়বসি পূক্লিং ৰাখল শোন্থরগা লৈবা মতমনি। নর্সশিংনা অনাবশিংবু নীংথিনা শেন্নদুনা ৰাখল নুংঙাইনা লৈহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনবা তাই। অনাবশিংবু পেলহনবা ঙল্লবদি নর্স অদু মায় পাক্লবনি।

রিমস অসি ওল ইন্দিয়াগী ওইনা ২৮শুবা পোজিসন্দা লৈ হায়বা তাবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। হেন্না হেন্না রেঙ্ক ৰাংখৎনবা হোৎনসি। নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি অহানবা পোজিসন্দা লৈরে হায়রি। রিমসতা ফমুং ২০০০ গী মথক্তা লৈদুনা অনা-লায়েংগী থবক চথুরি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা ও পি দিদা নোংমদা অনাবা ৩০০০ গী চাংদা লায়েংদুনা লৈরিবা হোস্পিটাল অসি য়াম্না অচৌবা হোস্পিটাল অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা কোলেজ ওফ নর্সিং রিমসকী প্রিন্সিপাল যমুনানা হায়খি, নর্সকী শিনফম অসি কথোকপদনা মশরুক ওইবা অমদি অনাবশিংবু শেন্নদুনা হোৎনজবা অমনি। নর্স তল্লিবশিংনা শিনফম অসিগী মরুওইবা অদু খঙবা তাই। নর্স ওইরিবশিংনা লৌরিবা থৌদাং কয়া অসি খঙবীবা চঙই। রিমসকী ওইনসু নর্সশিংগী ওইবা তঙাইফদবশিং ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমার অমদি দিন স্কুল ওফ মেথমেটিকেল, সাইন্স ডা. কে ঐচ সুলোচানানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মপোক কুমওন থৌরম জন্যুৱারী ১৮দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইম্ফালগী ২২রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ১৮দা টেম্পররি মার্কেটতা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু ইনাওবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুমীৎ অসিদা নেসনল হোকর ফেদরেসন, ন্যু দিল্লিগী জেনরেল সেক্রেটরি শক্তিমান ঘোস লাক্তুনা শরুক য়াগনি। নুমীৎ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা শরুক য়াগনি। নুমীৎ অসিদা মতম শাংনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ঈহৌদা হনবা লৈতনা থেংনদুনা লাক্লবা কয়া অমসু শরুক য়াগনি। ঙসি ফাওবা ঈংনা তপ্পা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা পোৎ য়োনবা ফংলিবা অসি এসোসিএসন অসিনা হোৎনরকপগী পম্ভুংনি হায়না মীয়ামদা পাউদমগনি। মণিপুরদা ঙসি ফাওবা ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪ চৎনদবা হায়বসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ওইনা লাইবক থীবনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটিশিংদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱেলফ্যেরগীদমক পোলিসী প্রোগ্রাম অমসুং স্কিম কয়া শেমদুনা য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎখ্রে।

মণিপুর ষ্টেটতদি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু হরাসমেন্ট পীবা, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী য়াইফ-থৌরাং শেম্বীদবা অমদি অৰাবা পীবগী থৌওং লেপ্তুনা চথুরি। ষ্ট্রিট ভেন্দর এক্ট ২০১৪না লাকপদগী ঐখোয় খুদিংমক্কী ৰাখলদা ঐখোয়গী খুদোংচাবা, ঐখোয়বু কনবীনবা লোয়ননা ঈংনা তপ্পা পোৎ য়োনবা ফংলগনি হায়না খঞ্জখিবনি। নোংমগী চরা তাল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা য়োল্লিবা পোৎচৈ চৈখায়বীবা, মাঙহনবীবা কয়া অমসু চথুরিবনি। ফারগা পুবা কয়া অমা অঙম্বা ওথোরিটিশিংনা চথুদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মতম অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২শুবা রোদ সাইদ ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএসন, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইম্ফালগী মপোক কুমওন থৌরম অসিদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মনুং অমদি মপান্দা ফল্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা শরুক য়াবীয়ু। থৌরম অসি মায় পাক্লবগীদমক ষ্ট্রিট ভেন্দর অমদি মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু।

ইম্ফাল সিটি মনুংদা লৈরিবা টেম্পররি মার্কেটতা থা অসিগী ১৮দা থৌরম অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ওইবা হীরম কয়াগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া খন্ন-নৈনগদৌরিবা অমদি এসোসিএসনগী মপোক কুমওনগী মরুওইবা থৌরম অসিদা মপুং ফাহন্নবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা শরুক য়াবীয়ু। নেসনল হোকর ফেদরেসনগী লুচিংবা য়াওনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মাষ্টর রোল, ৱার্ক চার্জশিংগী দিমান্দ অথুবদা পীথোকউ : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মাষ্টর রোল, ৱার্ক চার্জশিংগী থা ৯গী খুৎশুমল পীথোকপগা লোয়ননা তাল্লিবা দিমান্দশিং পীথোকউ হায়না ওল মণিপুর ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এন্দ ৱার্কর ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এন মুহিন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা হৌজিক মাষ্টর রোল, ৱার্ক চার্জ ওইনা থবক তৌরিবসি মাষ্টর রোলদা ১০৩৫ অমদি ৱার্ক চার্জদা ৩৫ পুন্না ১০৭০ রোমনি। হায়রিবশিং অসি কুমজা ১৯৭৯দগী মথং-মথং চহী খূদিংগী মতম মতমদুগী ওথোরিটিশিংনা দিপার্টমেন্টতা তঙাইফদে হায়দুনা পাউচেদা এদভর্টাইজ তৌদুনা হাপখিবা ঙাক্তনি। মতমদুদা থবক হাপ্পীরিবা অচৌ-অশাংশিং অদুনা মতম খরা লৈরগা রেগ্যুলরাইজেসন তৌগনি হায়খিবা ঙাক্তনি। লেবর লোদসু চহী ১০ শুনা মাষ্টর রোল অমদি ৱার্ক চার্জ ওইনা থবক তৌরক্লবদি মাষ্টর রোলনা ৱার্ক চার্জ, ৱার্ক চার্জনা রেগ্যুলর ওনবা য়াই হায়না ময়েক শেংনা পল্লি।

মণিপুরদা লৈরিবা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টশিংদা মাষ্টর রোল, ৱার্ক চার্জ ওইনা চহী ১০গী মথক্তা তৌরক্লবশিং মতম মতমদুগী লৈঙাক্লোয়শিংনা রেগ্যুলরাইজেসন তৌখিদুনা ৱাটর রিছোর্স নত্তনা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টশিংদা মাষ্টর রোল অমদি ৱার্ক চার্জ ইরৈ লৈত্রে। কুমজা ১৯৯৮তা দিপার্টমেন্ট ময়ামগী রেগ্যুলরাইজেসন তৌবদা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ৱার্ক চার্জ খক্তমক রেগ্যুলরাইজেসন তৌরগা মাষ্টর রোলশিংদি ৱার্ক চার্জ কনভর্সন তৌরমদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা দিপার্টমেন্ট অসিদা মাষ্টর রোল মশিং য়াম্না লৈরিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মাইনোরিটিগী অশেংবা দিপার্টমেন্ট ওইগদবনি : এম এম দব্লিয়ু ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৬ (ঐচ এন এস):
দিপার্টমেন্ট ওফ ও বি সী অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী ওফিসর ওইনা লৈরিবা স্কেন্দলশিংদা চেন্নখিবশিং চপ চাবা থবক লৌখৎতুনা ও বি সী অমদি লায়রবা মাইনোরিটিশিংগী অশেংবা দিপার্টমেন্ট ওইহনগদবনি হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) গী সেক্রেটরি জেনরেল এম দি অমিনুদ্দিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরস অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ও বি সী হায়না তোঙান তোঙান্না খায়দোকখ্রে। হান্না এম ও বি সী হায়না লৈরম্বা দিপার্টমেন্ট অসিদা কুমজা ২০১৭ ফাওবদা লাকখিবা স্কিমশিং এস আই টি শেমদুনা থিগৎপা হায়না মণিপুর লৈঙাক অমদি এম এম দব্লিয়ু ওগা য়ানখিবা অদু থবক ওইনা ওন্থোকপগী মহুৎতা দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর এন জি উত্তমবু ট্রান্সফর তৌথোকখিবগী থৌওং অসি মণিপুর গভর্নমেন্টকী ফেস সেভিংগী মওংনি।

এম ও বি সী হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎখিবা স্কিমদা মখল কয়াগী স্কেন্দলনা পীক থল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৰাফমনি। কুমজা ২০১০দগী ২০১৯ ফাওবদা পায়খৎপা স্কিমশিংদা স্কেন্দল কয়া থোকখি। চেন্নরিবা ওফিসরশিংবু দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরস অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ও বি সীদা ফম্বাল ফমদুনা লৈরি। স্কেন্দলদা চেন্নবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপগী মহুৎতা দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনোরিটি এফ্যেরসকী দিরেক্টর এন জি উত্তমবু ট্রান্সফর তৌরকপা অসি লৈঙাক্না অচুম্বা লোৎশিন্নবা কনাগুম্বশিংবু কনখৎতুনা থম্নবা হোৎনবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়রি।